# মহারাষ্ট্রগী মিনিষ্টর নৱাব মালিক্কা পায়রম্বা পোর্টফোলিওশিং মতম খরগী ওইনা লৌথোকখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রগী মিনষ্টর নৱাব মালিক্কা পায়রম্বা পোর্টফোলিওশিং অমদি অতৈ ওফিসিএল চার্জশিং মতম খরগী ওইনা লৌথোক্লে হায়না মহাক্কী পার্টি ওইরিবা নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টি ওইরিবা (এনসিপি) না ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) না মহাকপু ফাখিবা মতুং চয়োল অহুম হেন্না কান্নরগা খোঙথাং অসি লাকপনি।



মাইনোরিটি এফিয়ার্স এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট পায়রম্বা গোন্দিয়া অমসুং পারভানি দিষ্ট্রিক্টশিংগী গর্দিয়ান মিনিষ্টর ওইরিবা মশাগী চহী ৬২ শুরবা মালিক ইদিনা ফেব্রুৱারী ২৩ দা ফাখি অমসুং মহাক হৌজিক জুদিসিএল কষ্টদিদা লৈরি।

থা অসিগী ২১ ফাওবা মহাক জুদিসিএল কষ্টদিদা লৈগদবনি। থবক্তা অকায়বা লৈহন্দনবা অমদি মিনিষ্টরনা থবক লেপ্পা মতমদা ফাইল পৈশিন্দুনা লৈহন্দনবগীদমক্তা এনসিপিগী প্রসিদেন্ট শরত যাদবনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মিনিষ্টর অসিগী পোর্টফোলিওশিং অমসুং অতৈ ওফিসিএল চার্জশিং লৌথোক্নবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

ষ্টেট এনসিপি প্রসিদেন্ট অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর জায়ন্ট পাতিলনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মালিক্কা মখা তানা কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইবগা লোয়ননা পার্টিগী মুম্বাই প্রসিদেন্টসু ওইনসু লৈগনি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মিনিষ্ট্রিএল এসাইনমেন্টশিং অমসুং মরী লৈনবা দ্যুটিশিং অতৈ কোলিগশিংনা হেন্দল তৌগনি। মহাক্কী কেবিনেট পোর্টফোলিওশিং এনসিপিগী অতৈ মিনিষ্টর অনীদা য়েন্থোক্কনি অমদি সোসিএল জষ্টিস মিনিষ্টর ধনঞ্জয় মন্দে অমসুং অর্বান দিভলপমেন্ট এমওএস প্রজাক টানপুরেনা মথংশিংনা প্রবানি অমসুং বোনিদয়াগী গার্দিয়ান মিনিষ্টরশিং ওইগনি অমসুং ৱার্কিং প্রসিদেন্ট অনীনা মুম্বাই এনসিপি য়েংশিনগনি।

মিনিষ্ট্রিগী অহোংবশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর উধপ থাক্রেদা খঙহনগনি অমসুং মহাক্না অরোইবা ৱারেপ লৌগনি হায়না পাটিলনা ফোঙদোকখি।

ইদিনা মালিকপু ফাখিবা মতুংদা ওপোজিসন বিজেপিনা মহাকপু মফম থাদোকহন্নবা নত্ত্রগা কেবিনেটতগী লৌথোক্নবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

তৌইগুম্বসুং মহাবিকাস অগাদিনা দিমান্দ অসিবু রিজেক্ট তৌদুনা লাকখি।

সরদ পৱারগী ময়ুমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা দিপ্যুটি সিএম অজিৎ পৱার, মিনিষ্টর সিংহ পাটিল, দিলিপ ৱালসে-পাটিল, শাগন ভুজবাল প্রাফুল পটেল, সুনিল টাতকারেগুম্বা সিনিয়র লিদরশিং অমসুং অতৈ কয়ানা শরুক য়াখি।

# তামিল নাদুনা মথৌ তাবা এক্সপোর্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর লিংনবগীদমক ক্রোর ১০০ গী অখন্নবা ফন্দ শেম্লগনি

চেন্নাই, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
এক্সপোর্ট ওরিয়েন্টেদ ওর্গনাইজেসনশিংগী মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎনবগীদমক্তা তামিল নাদু গবর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর ১০০ গী স্পিসিএল ফন্দ অমা শেম্লগনি হায়না ষ্টেট অসিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পালানিভেল থিয়াগা রাজন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট এসেমব্লিদা ২০২২-২৩ গী ষ্টেট বজেট পুথোক্লদুনা রাজন্না হায়খি, মদুদি তামিল নাদুদা এক্সপোর্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মথৌ তাবা পব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ১০০ গী স্পিসিএল ফন্দ অমা শেম্লগনি।

ফন্দ অসি স্কিল্লিং সেন্টরশিং, টেষ্টিং সেন্টরশিং, এক্সপোর্ট ৱেয়র হাউসশিং অমসুং ইনলেন্দ কন্টেটর দিপোটশিং শেমগৎ শাগৎপদা শীজিন্নগনি।

ইন্দষ্ট্রিশিং অমসুং ইন্দষ্ট্রি এসোসিএসনশিংগী কন্ট্রিব্যুসনগা লোয়ননা শেমগৎ শাগৎপগী



থবকশিং অসি পায়খৎকদৌরিবনি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ষ্টেট অসিদা বেজ তৌবা ষ্টার্ট-অপশিংগী ইক্বিটি ইনভেষ্টমেন্টশিংগীদমক গবর্নমেন্টনা ইমর্জিং সেক্তর ফন্দদা লুপা ক্রোর ৫০ কন্ট্রিব্যুট তৌগনি।

মহাক্কী মতুং ইন্না গবর্নমেন্টনা অনৌবা ফুদ ৱ্যের এন্দ লেদর ইন্দষ্ট্রি দিভলপমেন্ট পোলিসি অমা পুথোকপগা লোয়ননা নন-লেদর ফুদ ৱ্যের অমসুং লেদরগা মরী লৈনবা ইন্দষ্ট্রিশিং লিঙদুনা মীয়ামদা থবক্কী খুদোংচাবশিং ফঙহনগনি।

ষ্টেট অসিবু ইন্দষ্ট্রিগী লমদা হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক্তা সেন্টর গবর্নমেন্টগী মতেংগা লোয়ননা পিলাপ পাকম অমসুং মনালুরদা ইলেক্ট্রোনিক পোথোকশিং শানবগী ক্লষ্টর অনী লিংলগনি।

কোইম্বেটোর, পেরমবালুর, মদুরাই, ভেলর অমসুং টিরুভালুর দিষ্ট্রিক্টশিংদা অনৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েল পার্কশিংসু লিঙলগনি। তামিল নাদু ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসননা লূপা ক্রোর ৭৫ চঙনা চেন্নাইগী নন্দবাকুমদা ফেসিলিটি শুনা য়াওবা ষ্টেট ষ্টার্ট অপ হব সেন্টর অমসু লিংলগনি।


# কেরলাদা ওপোজিসন্না লুচিংদুনা কে-রেল প্রোজেক্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চত্থরগনি

তিরুভনন্তপুরম, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজায়নগী অচৌবা পান্দম লৈবা স্কিম অমা ওইরিবা লুপা ক্রোর ৬৩,৯৪০ গী কে-রেল প্রোজেক্টকী মায়োক্তা হৌজিক চত্থরিবা প্রোটেষ্টশিংগা মাঙজিল থানা শরুক য়ারগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা কেরলা এসেমব্লিদা ওপোজিসন্না লাউথোকখ্রে।

প্রোজেক্ট অসি মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতমদা তিরুভনন্তপুরমগা কাসারাঘোটকা শম্নবা কিমি ৫২৯.৪৫ কী কোরিদোর অমা উবা ফঙলগনি। মসিনা হাইস্পিদ ট্রেনশিংনা পুং ৪ গী মনুংদা লম্বী মশাং অসি থুংনা চেনবা ঙমহনগনি।

নিটি আযোগকী মতুং ইন্না কুমজা ২০২৫ দা প্রোজেক্ট অসি মপুং ফানা লোইশিনবা য়াবগী ফিভম লাকপা মতমদা লুপা ক্রোর লাক্ষ ১.২৪ রোম চঙবা য়াই।

হৌজিক্কী এসেমব্লি সেসন অসিগী অরোইবা নুমিৎ ওইরিবা ইরাই নুমিত্তা ওপোজিসন অপুম্বনা ৱেক্সন আৱর হেক হৌবদগী রুল্লিং সিপিআই (এম) গী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবা হৌখি অমসুং ষ্টেট অসিগী মরা তপ্পা ফিভম থুগায়নবা হোৎনবগীদমক কে-রেল অমসুং পিনারায়ি ভিজায়নগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি। প্রোজেক্ট অদু কান্নদবা থবকনি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।



মখোয়না লেপ্তুনা স্লোগান কয়া লাউদুনা হাউসতা চরাংনবা হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা খোইরাং খোইশাওরবা পিনারায়ি ভিজায়ননা ওপোজিসনবু চমম্নবা থোকহল্লি অমসুং প্রোজেক্ট অদুগী মায়োক্তা চত্থরিবা কেম্পেইনদা মকোক চিংই হায়না মরাল শীখি।

স্পিকর এমবি রাজেসকী ইন্সট্রক্সনশিং কনামত্তনা তাদবদগী মহাক্না মতম খরা প্রোসিদিংস লেপহনখি। তৌইগুম্বসুং সেসন মখা চত্থবা হৌবদা চরাংনবা অমুক থোরকখি অমসুং ওপোজিসনগী লুচিংবা ভিদি শাথেসাননা ভিজায়নবু মশাগী অপাম্বনা লিচিং ওইদুনা তৌনিংবতা তৌই হায়না মরাল শীখি।

শতিসন্না হায়খি, মদুদি প্রপোজ তৌরিবা প্রোজেক্ট অদু নমদুনা লেপহন্নবা ওপোজিসন্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। মীয়াম্না চত্থরিবা প্রোজেক্ট অদু হৌজিক ওপোজিসন্না লুচিংলগনি অমসুং মদুবু নম্ফুদা থবক লেপহনগনি। ঐখোয়না ষ্টেট শিনবা থুংনা চত্থগদৌরিবা প্রোটেষ্ট প্রোগ্রাম শেম্বা লোইরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# পঞ্জাবতা ভগৱান্ট মানগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্স মার্চ ১৯ দগী লৈরগনি

চান্দিগর, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা মতুং নুমিৎ নীনি কান্নরগা থাংজ নুমিত্তগী ভগৱান্ট মানগী অহানবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্স লৈরগনি। মিনিষ্টর পুন্নমক মমাঙদা অমুক্তা ফম পায়রকখিদবা ঙাক্তনি হায়রি।

ওপোজিসনগী হান্নগী লুচিংবা অমসুং মশক নাইবা দলিট রিপ্রজেন্টেটিব অমা ওইরিবা হর্পল সিংহ সিমা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা খল্লবা য়াই।

সিমানা মহাক্কী দির্বা সিটতা অমুক হন্না মায় পাকপা ঙমখি। কেবিনেটতা য়াওরগনি হায়না খন্নরিবা অতৈদি অমন অরোরা, কুলতর সনৱান, হার্জোট বেন্স, সরবজিট কৌর মানুকে, বরজিলন্দর কৌর, গুর্মিট সিংহ খুদিয়ান, নিনা মিটল অমসুং কনৱার ভিজয় প্রতাপনি। পার্টি লিদরশিপনা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর তরুক্তগীনা তরেৎ ফাওবা য়াওহন্দুনা চীফ মিনিষ্টরগী থাদনা মিনিষ্টরগী ফম ১৭ লৈহনবা পাম্মী হায়রি।

ৱাৎলিবা মিনিষ্টরশিং অদু থা খরগী মনুংদা হাপচিনগনি হায়না এএপিগী সেনিয়র লিদর অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।



সুনামগী এমএলএ অমন অরোরা অসি পার্টিগী ওইনা হিন্দুশিংগী মরু ওইবা রিপ্রজেন্টেটিব অমা ওইরি। মহাক মানগা নকশিন্নবা মীশক অমনি হায়না খঙনৈ।

কুমজা ২০১৮ দা দ্রগ লল্লোনবগী মরালশিংগা মরী লৈননা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা সিরোমনি অকালি দল (এসএদি) গী লুচিংবা বিক্রম সিংহ মাজিথিয়াদা এপোলোসাইজ তৌখিবা মতুংদা মাননা ষ্টেট প্রসিদেন্টগী ফম থাদোকখিবদগী অরোরাসু এএপিদগী তোকখিবনি।

মখোয় অনীমক কোন্না পার্টি অসিদা য়াওশিনখি। অরোরানা কংগ্রেসকী জসৱিন্দর সিংহ দাইমন্দবু রেকোর্দ ওইবা মওংদা ভোট মশিং ৭৫,২৭৭ হেন্দুনা মায়থীবা পীখি।

অহানবা ওইনা মীখলদা মীরেপ ওইখিবা জিবন জোট কৌরনা কংগ্রেসকী পোলিটিকেল হেভি ৱেট নবজোট সিংহ সিধুবু মায়থীবা পীখি।

নৌনা মীখলদা মীরেপ ওইখিবা এএপিগী কুনৱার ভিজয় প্রতাপনসু অমৃটসর নোর্থতা মহাক্না খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা এসএদিগী অনিল জোসিবু ভোট মশিং ২৮,৩১৩ হেন্দুনা মায়থীবা পীখি।

কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা য়াওহনবা হায়বসি ভগৱান্ট মানগী অপাম্বগী মখা পোল্লি হায়না পার্টি অসিগী ষ্টেট কো ইন চার্জ রাধপ চাদানা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি।

# দিল্লিদা লুপা লাক্ষ ৫৮ গী হিরোইনগা কোন্ননা নুপী অমা ফারে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
নেসনেল কেপিটেলদা দ্রগ সপ্লাই তৌবদা চেন্নবা মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবী নুপী অমা দিল্লি পুলিসনা ফারে অমসুং মঙোন্দগী ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা লুপা লাক্ষ ৫৮ গী ভেল্যু ওইগদবা হেরোইন গ্রাম ৫৮ রিকোভর তৌরে হায়না ইরাই নুমিত্তা ওফিসিএল অমনা ফোঙদোরক্লি। একুজ অদু দিল্লিগী বৃন্দাপুরদগীনি।

থৌদোক অদুগী অকুপ্পশিং পল্লদুনা দিপুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস (দিসিপি) সঙ্কর চৌধুরিনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নুমিৎ কয়ানি অসি এরিয়া অদুদা দ্রগশিং সপ্লাই তৌবা অমসুং দিষ্ট্রিব্যুট তৌবদা লোকেল পেদ্দলর খরা চেন্নৈ হায়বা পাউ সেল এগেনষ্ট ইল্লিগেল ফোরেন্নর এন্দ নার্কোটিক্স (সিএআইএফএএন) না ফঙখি।

পির বাবাগা নক্নবা সয়োগ বিহার রোদকী মাতিয়ালাদা লৈবা মফম অমদা অথিংবা থম্বা পোৎলম অদু সপ্লাই তৌরগনি হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা মার্চ ১৭ কী নুংথিলদা ফঙখি।

পাউ অদুদা যুম্ফম ওইরগা পুলিস টিম অমনা লাং থাকখি অমসুং একুজ নুপী অদুবু মফম অদুদগী



ফাখি। হেরোইন ওইরমগনি হায়না থাজবা অফবা ক্বালিটিগী কন্ট্রাবেন্দ অদু অঙৌবা পোলিথিন পেকেট অনীদা হাপ্লম্বনি।

পুলিসনা বৃন্দাপুর পুলিস ষ্টেসনদা এনদি পিএস এক্টকী সেক্সন ২১ গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখি অমসুং একুজ অদু ফাখি।

মহাকপু ৱাহং পাউহং চত্থবা মতমদা কন্ট্রাবেন্দ অদু অতোপ্পা মীওই অমদগী লৈবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোরকখি।

মতুং তাবদা একুজ নুপী অসি বৃন্দাপুর, মোহন গার্দেন অমসুং ৱেষ্ট দিল্লি রিজনদা এক্তিব ওইনা থবক তৌখি হায়বসি খঙলকখি। মফম অদু তোঙান তোঙানবা নেসনেলিটিশিংগী মীওইশিংনা লোৎপদা খুদোংচাবা মফম ওই হায়বসি পুলিসনা খঙবা ঙমখি।

একুজ অসিবু কোর্টতা পুথোকখিবগা লোয়ননা মহাকপু পুলিস কষ্টদিদা থম্বগী অয়াবসু কোর্টনা পীখি। মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগা লোয়ননা অহেনবা মীওইশিং কয়া ফাদুনা অহেনবা হেরোইনশিংসু ফাবা য়াই হায়না থাজনরি।


# য়ুক্রেনগী মতাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসনন্না পিএম মোদিগা খন্নরগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অমসুং মসিনা ইন্দো-পেসিফিক্তা লাকহনগদৌরিবা অহোংবশিংগী মতাংদা মার্চ ২১ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা লোয়ননা পাঙথোকপা ভর্চুয়েল সবমিট অমদা খন্নরগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসন্না ফোঙদোকখ্রে।

মোরিসন্না হায়খি, মদুদি ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা বাই লেটরেল অমসুং ইনভেষ্টমেন্টগী মরী চেৎশিলহন্নবা অমদি লৈবাক অনীগী ইকনোমিক রিকোভরি অমসুং ৱোদতা মতেং ওইগদবা অনৌবা শেল থুমগী খুদোংচাবশিংগী মতাংদসু খন্নগনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, য়ুক্রেনগী ফিভম অমসুং মসিনা ইন্দো-পেসিফিক্তা লাকহনগদৌরিবা প্রোব্লেমশিং য়াওনা রিজনেল অমসুং মল্টি লেটরেল ইস্যু কয়া খন্নগনি।

মোরিসনন্না হায়, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী অচেৎপা বাই লেটরেল মরী অসি অমগা অমগা ৱাখল তান্নবা অমদি থাজনবদা যুম্ফম ওই অমসুং নাকল অনীমক ইন্দো-



পেসিফিক্কী মান্নবা মীৎয়েং চেল্লি।

কুমজা ২০২০ গী জুন ৪ দা অহানবা ভর্চুয়েল সবমিট পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়া-ওষ্ট্রেলিয়াগী মরী অসি মপুং ফাবা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপকী থাক অমদা পুখৎখিবা মতুংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সবমিট অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মোরিসন্না মখা তানা হায়খি, মদুদি লৈবাক অনীগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা লৌখৎকদৌরিবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি দিফেন্স অমসুং সেক্যুরিটি, সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি অমদি মরু ওইবা মিনরেলশিং অমসুং ক্লিন ইনর্জিগী লমদা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহনবা অসিনি।

লুচিংবশিংগী ওইবা চহীগী ভর্চুয়েল মীটিংগী শরুক অমা ওইনা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা ৱারী শান্নগদৌরিবনি হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

সবমিট অদুবু লাউথোক্লদুনা শগোলশেল নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্স (এমইএ) না হায়খি, মদুদি মোদি অমসুং মোরিসন্না লৈবাক অনীগী মরক্তা ট্রেদ, ক্রিটিকেল মিনরেলশিং, মাইগ্রেসন, মোবিলিটি অমসুং এদুকেসনগী হিরমশিংদা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা খন্নগনি।

এমইএগী স্পোক্স পার্সন অরিন্দাম বাগচিনা হায়, ভর্চুয়েল সবমিট অসিনা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা কো ওপরেসন হেনগৎহনবগা লোয়ননা অনৌবা ইনিসিএটিবশিং পায়খৎনবগী লম্বীশিং খন্নগনি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরী ফগৎলকপা উখি। কুমজা ২০২০ গী জুনদা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা লোজিষ্টিক সপোর্ট পীনবগী পান্দমদা মিলিটরি বেজশিং শীজিন্নবা য়ানবগী মরু ওইবা দিল অমা খুৎয়েক পীনখি।

মুচুয়েল লোজিষ্টিক সপোর্ট এগ্রিমেন্ট (এমএলএসএ) অদুনা লৈবাক অনীগী মিলিটরিশিংবু অমনা অমগী বেজশিং শীজিন্নদুনা সপ্লাইশিং লেপহন্দবগা লোয়ননা মপুং ওইবা দিফেন্স কোওপরেসন হেনগৎনবগী ফেসিলিটিশিং লৈহনবা য়াহল্লি।

ওষ্ট্রেলিয়ন নেভি অসি কুমজা ২০২০ গী নবেম্বর অমদি হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা ইন্দিয়ানা থৌবু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মালাভার নেভেল এক্সর্সাইজকী শরুক অমা ওইখি। য়ুএস অমসুং জপানগী নেভিশিংসু মদুদা শরুক য়াখি। ওষ্ট্রেলিয়া অসি চহী অসিদসু মালাভার এক্সর্সাইজতা য়াওগদৌরিবনি হায়খি।

# পুলিসনা হরাসমেন্ট পীবদগী টেক্সি দ্রাইভর অমা মথন্তা মৈ থাদুনা শিজনবা হোৎনখ্রে

লখিম্পুর খেরি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
পুলিস অমসুং মীওই মরিনা হরাসমেন্ট পীবদগী উত্তর প্রদেশকী লখিম্পুর খেরিগী গৌরিফান্টা পুলিস ষ্টেসনগী মনুংদা মশাগী চহী ২৬ রোম শুরবা প্রাইভেট টেক্সি দ্রাইভর অমা মথন্তা মৈ থাদুনা শিজনবা হোৎনখ্রে হায়রি।

পুলিসকী পাউগী মতুং ইন্না মীওই মরি অদুগা লোয়ননা পুলিসনা টেক্সি দ্রাইভরশিংদগী নমদুনা শেল লৌদুনা লাকখি অমসুং করিগুম্বা মখোয়না শেল পীবা ঙমদ্রবদি টেক্সি দ্রাইভরশিংবু ফু চৈবা অমদি ওৎপী নৈবীবা তৌখি হায়না ভিক্তিম অদুনা মরাল শীখি। পুলিসনা হরাসমেন্ট পীবদগী মহাক্না মথন্তা মৈ থাজদুনা শিজনবা হোৎনখিবনি হায়না ভিক্তিম অসিনা ক্লেম তৌখি।

ভিক্তিম অসি মশাদা চাদ ৮০ হেন্না মৈ চাকখি অমসুং মহাকপু লায়কন্নরিবা হোস্পিটালগী ডাক্তরশিংনা মহাক্কী ফিভম লুনা লৈ হায়না ফোঙদোরকখি।

লখিম্পুর খেরিগী সুপরিন্টেন্দন্ট ওফ পুলিস সঞ্জিব সুমাননা চার্জশিং অদুগা মরী লৈননা গৌরি ফান্টা পুলিস ষ্টেসনগী ষ্টেসন হাউস ওফিসার আসভানি ভিস্বকর্মা সস্পেন্দ তৌখ্রে।



ৱাফম অদুগী মতাংদা ইনক্বারি অমা চত্থদুনা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা রিপোর্ট সবমিট তৌরক্নবা এদিস্নেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসতা খঙহনখ্রে হায়না এসপিনা খঙহনখি।

ভিক্তিম অদুগী ষ্টেটমেন্ট মাজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা রেকোর্দ তৌখি। পালিয়াদগী হৌরকখিবা সিভম গুপ্তনা বঙ্গৱা এরিয়াদগী গৌরি ফন্টা লোকেলিটি ফাওবা টাটা মেজিক চেনখি।

গুপ্তনা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা গৌরি ফন্টা পুলিস ষ্টেসনগী গেটতা পেট্রোল হৈজিঙ্গরগা মশা মৈ থানবা হোৎনখি। মশা মৈ থারবা মতুংদা গুপ্তনা পুলিস ষ্টেসন কেম্পসতা চেনশিল্লকখি হায়না পল্লদুনা পুলিসনা হায়, পুলিস পার্সনেলশিংনা মৈ মুথৎপগা লোয়ননা মহাকপু হোস্পিটাল তম্না পুখৎখি। ভিক্তিম অসিনা ফোঙদোরকখিবদা পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা মীওই মরিনা মহাকপু মতম অয়াম্বা হরাসমেন্ট পীখি অমসুং টেক্সি চেনবা য়াহনখিদে। ভিক্তিম অসিগী মখুরা পঙ্কস গুপ্তনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা পুলিসনা মহাক্কী গাড়ী ফাজিনবগা লোয়ননা মহাকপু চৈ লাং শীজিন্নদুনা ফুবদগী মহাক মথন্তা শিজনবগী ৱারেপ লৌখিবনি।